HUEIYEN LANPAO

# লাস্কর-ঈ-তোয়বাগী টেররিষ্ট অনী হাৎখিবগা লোয়ননা পম্পোরেগী খুৎ থোক্লবা লোইশিনখ্রে

শ্রীনগর, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা পম্পোরে টাউনদা লৈবা ওন্ট্রপ্রেনিয়রশিপ দিভলপমেন্ট ইন্সটিট্যুট (ঈ দি আই) মনুংদা লোৎতুনা লৈরম্বা টেররিষ্ট অনী হাৎখিবগা লোয়ননা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক লোইশিনখ্রে।



পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা, জি ও সী, ভিক্টর ফোর্স, মেজর জেনরেল অশোক নরুলানা হায়খি, পুং ৫৬ চুপ্না খুৎ থোক্লরবা মতুংদা পম্পোরেগী থৌদোক লোইশিনখিবগা লোয়ননা টেররিষ্ট অনী হাৎলে অমসুং খুৎলায় অনী ফংবা ঙম্লে। করি মরমগী নুমিৎ নীনি হেন্না খুৎ থোক্লবগী থৌদোক থোকখিবনো হায়না হংবদা মহাক্না হায়খি, টেররিষ্টশিংনা লোৎতুনা লৈখিবা বিল্ডিং অদু কা হেন্না চাউবা মরম্না মনুংদা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং চঙশিন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। চহী অমগী মনুংদা টেররিষ্টশিংনা ঈ দি আই কমপ্লেক্স অনীরক হন্না খুদুম চনখিবগী থৌওং অদু লাইবক থীবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বিল্ডিং মনুংদা টেররিষ্ট ৩/৪ লোৎতুনা লৈ হায়বা রিপোর্ট অমা ফংখিবা মরম্না সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা বিল্ডিংগী কা ৫০ দা চঙদুনা থিবা-হুস্বগী থবক চথুখি।

মিলিটেন্ট অমা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম হাৎখিবনি। অতোপ্পা মিলিটেন্ট অমনা ঙসি হাৎপা ঙমখিবনি হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবা মিলিটেন্টশিং অদু করম্বা গ্রুপকীনো হায়বা চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি। অদুবু অহানবা ফংবা রিপোর্ট মতুংইন্নদি লাস্কর-ঈ-তোয়বাগী ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

মেজর জেনরেলনা হায়খি, বিল্ডিংগী শরুকশিং অমাঙ-অতা থোকহন্দনবগীদমক আর্মি পার্সনেল-শিংনা হৈ-শিংবা মওংদা ওপরেসন চথুখি। অদুবু তঙাইফদবা ফীভম লাকপদগী মোর্টার সেল খরা কাপখি। রোকেট, গ্রেনেদ অমদি ওটোমেটিক ৱেপন পায়বা মিলিটেন্টশিং অদু নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌনা ঈ দি আইগী বিল্ডিং মনুংদা লোৎতুনা লৈরকখিবনি। আর্মিগী পেরা কম্মান্দোশিং কৌশিন্দুনা মিলিটেন্টশিং অদু তকথোক্লবা হোৎনবদা পুং ৫৬ লোম চঙখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা মিলিটেন্ট অনী ঈ দি আই কমপ্লেক্স মনুংদা চঙলক্লগা বিল্ডিং মনুংদা ফীভম শেমদুনা লৈখি। মিলিটেন্টশিংনা হোষ্টেলগী কা অমগী মনুংদা পোৎ-চৈ খরা মৈ থাদুনা পুলিস অমদি অতৈ সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মীৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনখি। বিল্ডিংদগী মৈখূ কারকপা উবদগী সিক্যুরিটি পার্সনেল কয়া মফম অদুদা থুংলখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা মিলিটেন্টশিংনা হোষ্টেলগী কা অমগী মনুংদগী নোংমৈ কাপথোরকপদা সিক্যুরিটি পার্সনেল অনী অমসুং পুলিসমেন অমা অশোক-অপন নংখি।

শ্রীনগর সীটিদগী কিলোমিটর ১২ লাপ্পা ঝিলম তুরেলগী তোর্বানদা লৈবা ঈ দি আইগী বিল্ডিং অদু কা ৭০ লৈবগা লোয়ননা মথোল ৭ ৱাংই।

হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদসু মিলিটেন্টশিংনা বিল্ডিং অসি খুদুম চল্লবা মতুংদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মথক্তা এটেক চথরকপা লৈখ্রবনি। থৌদোক অদুদা মীচম অমা, লান্মী ৩ অমসুং পেরা মিলিটরি পার্সনেল ২ শিখি। তুংদা অহেনবা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং থাজিন্দুনা বিল্ডিং মনুংদা লৈরম্বা মিলিটেন্ট অহুম্মক হাৎপা ঙমখি।

মিলিটেন্টশিং তকথোক্লবা ইন্দিয়ন আর্মিনা অকনবা থৌরাং লৌখৎপদা ঙরাং সিক্যুরিটি পার্সনেল ২ অমসুং পুলিসমেন অমা অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি। পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌনা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা ওপরেসন চথুদুনা লাকখি। নুমিদাংগী মতমদা মিলিটেন্টশিং নাম্থোক্তুনা চেনখিবা ঙমখিদনবগীদমক ফ্লদলাইট শীজিন্নদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। রোকেট অমদি অতোপ্পা মখলগী খুৎলায় কয়ামরুম শীজিন্নদুনা মিলিটেন্টশিং তকথোক্লবা হোৎনখি।

ঈ দি আই কমপ্লেক্স মনুংদগী মিলিটেন্টশিং তকথোক্লবা হোৎনরদুনা চথুবা ওপরেসনগী নীনি চনবা নুমিৎতা ঙরাং মিলিটেন্ট অমা হাৎপা ঙমখি। অদুবু মথোল ৭ ৱাংবা বিল্ডিং অদুগী তোখায়-তোখায়বা মফমদা মিলিটেন্টশিংনা লোৎতুনা লৈখিবা মরম্না সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা মিলিটেন্টশিং খুদুম চন্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি।

# পাকিস্তানগী মথক্তা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথবা মথৌ তাই : বেলোচ লীদর

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী)দা পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেররিষ্টশিং মায়থীবা পীনবগীদমক সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথবা মথৌ তাই হায়না বেলোচিস্তানগী নীংতম ঈহৌ লুচিংলিবী নিলা বেলোচনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

পাকিস্তানি আর্মিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ৱর্ল্দ বেলোচ ৱিমেন'স ফোরমগী প্রসিদেন্টনা হায়খি, পাকিস্তানদা লৈঙাক পায়রিবা জেনরেলশিংনা মীচম মীয়ামগী ঈংতপ্পা মওংদা চঙশিল্লকপা খোঙজং পুম্নমক নোংমৈগী মতেংনা নমথনবা হোৎনদুনা লাকখি। হন্দক্তা ইন্দিয়ানা এল ও সীদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথখিবগী থৌওং অদুগুম মতুংদসু কয়ারক হন্না চথবা মথৌ তাই।

মহাক্না হায়খি, য়ুনাইটেদ নেসন্স অমদি মালেমগী মীয়াম্না পাকিস্তানদা অকনবা প্রেসর পীদুনা বেলোচ মীয়ামদা চথরিবা মীওৎ-মীনৈ লেপহনবগা লোয়ননা পাকিস্তানদগী বেলোচিস্তাননা নীংতম্বা ফংনবা হোৎনরিবা খোঙজংদা মতেং পাংফম থোকই।

ইন্দিয়াবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা বেলোচ লুচিংবী অসিনা হায়খি, লানফম অমত্তদা পাকিস্তাননা মায় পাকপা ঙম্লোই। চাইনাগী মতেং য়াওদ্রবদি পাকিস্তাননা বেলোচিস্তান ফাওবা মায়োক্লবা ঙম্লোই। লৈবাক অমত্তনা মীচঙ চঙনদবা তারবদি পাকিস্তান অমসুং বেলোচিস্তান মায়োক্লবদা বেলোচিস্তাননা শোয়দনা মায় পাক্কনি।




ইন্দিয়াদা ঙরাং থুংলখিবী নিলা বেলোচনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেলোচিস্তানদা হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী ৱাফম ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা মালেমগী মীয়াম্না পাকিস্তানগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙবা হৌরক্লে। মমাঙ থাদা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা পাকিস্তানবু বেলোচিস্তানগী মথক্তা মীওৎ-মীনৈ চথবা লেপকদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখি। করিগুম্বা ইস্লামাবাদনা বেলোচ মীয়ামগী মথক্তা চথরিবা মীওৎ-মীনৈ পুম্নমক খুদক্তা লেপ্পুবা তারবদি পাকিস্তানগী মথক্তা ইকনমিক অমসুং পোলিটিকেল সেঙ্কসন থম্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়নসু য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেলোচিস্তানদা ওইরিবা হ্যুমেন রাইটসকী ফীভম পন্দুনা ৱা ঙাঙখ্রবা মতুংদা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা বেলোচ লুচিংবশিংনা পাকিস্তানগী মায়োক্তা ফোংনা শীংনবা হৌরকখি। পাকিস্তাননা বেলোচিস্তানবু অরানবা মওংদা খুদুম চনখিবনি হায়বা ময়েক শেংনা খঙহন্নবগীদমক তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা বেলোচ মীয়াম্না অকনবা কেম্পেইন চথখিবনি। বেলোচ নেসনল মুভমেন্ট (বি এন এম)না হায়খি মদুদি, চাইনা পাকিস্তান কোরিদোর প্রোজেক্ট (সী পি ঈ সী)গী মরুম থুপ্না পাকিস্তাননা বেলোচিস্তানগী মীয়াম পাক শন্না হাৎপদা বৈজিংনা নাকোয়ননা শৌগৎতুনা লাক্লি।

# এন এস জিগী কম্মান্দোশিংনা দিল্লিগী লাল কিলা চেকশিন্না ঙাক শেনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী):
টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকপা য়াই হায়বা রিপোর্ট অমা ফংবদগী দিল্লিদা লৈবা লাল কিলাদা নেসনল সিক্যুরিটি গার্দস (এন এস জি)গী কম্মান্দো ৯০ থমদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, ইন্টলিজেন্সনা পীরকখিবা রিপোর্ট মতুংইন্না দিল্লিগী অতৈ অতোপ্পা মরু ওইবা মফম খরদসু সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। ইন্দিয়াগী ওইনদি লাল কিলা অসি য়াম্না মরুওইবা পুৱারীগা মরী লৈনবা মোন্যুমেন্টনি। ইন্দিয়ানা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরশিংনা মফম অসিদা লৈবাক্কী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা বেলোচিস্তান, পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর অমদি গিলগিট-বাল্টিস্টানদা পাক শন্না হ্যুমেন রাইটস খোঙ্গাওনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা পাকিস্তাননা ইন্দিয়াদা টেররিষ্টশিং থাজিল্লক্তুনা মরুওইবা মফম খরদা এটেক চথহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না ইন্টলিজেন্সনা রিপোর্ট পীরকখিবনি।

ইন্দিয়ন আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোলদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথদুনা লাস্কর-ঈ-তোয়বাগী কেম্প কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা টেররিষ্ট কয়ামরুম হাৎখ্রবা মতুংদা ইস্লামাবাদনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম, মরুওইনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা টেররিষ্টশিং থাজিন্নবা থৌরাং কনখৎলকখি।

অমরোমদা, ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আই বি)না পীরকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা উত্তর প্রদেশকী মরুওইবা মফমশিংদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

নুমিৎ খুদিংগী মীওই কয়া লাক্লরিবা অগ্রাগী টাজ মহলদা অখন্নবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। রিপোর্ট অদুনা হায়খি, টাজ মহলগী মনুং অমসুং অকোয়বদা হৈ-শিংলবা কম্মান্দো পার্সনেল ৩৬ থমদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

মালেমদা মমিং চৎলবা মোন্যুমেন্ট অসিবু হান্নদগী হৌনা ঙাক শেন্দুনা লাকখিবা সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিএল সিক্যুরিটি ফোর্স (সী আই এস এফ)তসু ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্ট অদুগা মরী লৈননা মীৎকুপ-নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে হায়রি। দুর্গা পুজা, দশেরা অমদি মহরমনচিংবা কুম্মৈ কয়ামরুম মথং-মথং পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকপা য়াই খনবদগী লক্ষ্ণৌ, অগ্রা, কানপুর, মোরাদাবাদ, বরেলি, মুজাফরনগর, ভারানাসি অমসুং অলাহবাদনচিংবা সীটিশিংদা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

# লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা মহরমগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী):
লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ঙসি অশুরা-ঈ-মহরমগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখ্রে।

প্রেফেট মুহমদকী মশুনুপা হজরট ইমাম হুসেন অমদি মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা অচুম্বগীদমক কর্বলাদা থৱায় কৎখিবগী থৌওংবু নীংশিংবা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। থৌরমগা মরী লৈননা তোঙান-তোঙানবা মফমদা টাজিয়া প্রোসেসন কয়ামরুম পাঙথোকখি। কর্বলাদা অচুম্বগীদমক থৱায় কৎতুনা খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা কথোকখিবগী থৌওং অদুগা মরী লৈননা লাইনিং লাইশোলগী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা, মহরমগা মরী লৈননা মীয়াম পূনবা থিংনবগীদমক ওঠোরিটিশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মফম খরদা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমখ্রে।

পুলিসকী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমদা অকায়বা লাকপা য়াই হায়না চিংনবদগী শ্রীনগরগী মফম খরা অমসুং কাশ্মীর তম্পাক্কী মফম কয়ামরুমদা কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিজর (সী আর পি সী)গী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমখি। হৌখিবা জুলাই ৮ দা হিজবুল মুজাহিদীনগী লুচিংবা বুরহান ৱানিবু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রবা মতুংদা থংনবা নুমিৎতগী মীয়াম্না অকনবা ঈহৌ হৌরকখিবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা মতম শাংনা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি।

ঙসিসু কাশ্মীর তম্পাক্কী মরুওইবা কৈথেল পুম্নমক থোঙ লোন্নখিবগা লোয়ননা লম্বীদা লন্নাইগী গাড়ী অমত্তা চেন্নখিদে। লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরমসু লেপখি। স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি পুম্নমক ছুটি থাদোকখি।

ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লকখিবগা লোয়ননা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা খোঙজং নমথনবা হোৎনবদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লরকপদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৯১ শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ১২,০০০ হেন্না অশোক-অপন নংবা লৈখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা শ্রীনগরগী মনুং হঞ্জিনবা মফম খরদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখি। সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী পেলেট গননা পানবদগী শিখিবা নুপামচা অমগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোকপগা মরী লৈননা মীয়াম তিল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী কর্ফিয়ু থমখিবনি।

পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, মশাগী চহী ১২ শুরবা জুনেদ অখুন কৌবা নুপামচা অমা শিখিবগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকপা লাকপা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী নাওহাটা, খানয়ার, রাইনাৱারি, সফাকাদাল অমসুং মহারাজ গঞ্জদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখি।

কাশ্মীর তম্পাক্কী অতৈ অতোপ্পা মফম খরদদি অথিংবা লৌথোকখিবা মরম্না মহৌশাগী ফীভমদা তপ্না-তপ্না হঞ্জিল্লকপা হৌরে হায়রি। মরুওইনা লাল চোক এরিয়াদা মীওই কয়া মহৌশাগী মতৌগুম লম্বীদা থোক্লরকপগা লোয়ননা গাড়ী কয়া চেনবা উখি। মনামশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈ য়োনবা দুকান খরসু থোঙ হাংনখি। অদুমওইনমক অথিংবা থল্লিবা অতৈ মফমশিংদদি মীওই ৫শুনা পূনবা য়াদবা মরম্না মহৌশাগী ফীভমদা অকায়বা থোকখি।

# বি জে পিনা গভর্ণমেন্ট পায়রবদি অজম খান ফাগনি : সঙ্গিট সোম

লক্ষ্ণৌ, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী):
মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশকী এসেম্বলি ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না মায় পাক্তুনা গভর্ণমেন্ট শেম্বা তারবদি হৌজিক-হৌজিক ষ্টেট অসিগী মিনিষ্টর ওইরিবা অজম খান ফারগা কৈশুমশঙদা থমগনি হায়না বি জে পিগী এম এল এ সঙ্গিট সোমনা ফোঙদোকখ্রে।

দশেরাগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্না হায়খি, সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অসিনা অরানবা মওংদা শেল তানশিল্লগা জাওহার য়ুনিভর্সিটি লিংখৎখি।

রামপুরদা প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি অমা লিংখৎতুনা য়ুনিভর্সিটি অদুগী ভাইস চান্সেল্লর ওইরিবা অজম খাননা অরানবা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নদুনা লৈবাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা মঙ মঙলি। মিনিষ্টর অমা ওইবগী মতিক ময়ায় পুম্নমক অরানবা মওংদা শীজিন্নরগা লন-থুম তানশিল্লিবা মীওই অসি মীয়াম্না ৱারকপা মতম ওইরে। মেনপুরিদা মহারাজা টেজ সিংহগী প্রোসেসন অমা য়াওবা লাকখিবা সঙ্গিট সোমনা হায়খি, বিজয় দশমিনা লাকপগা মরী লৈননা রাবন মায়থীবা পীখিবগুম অজম খানগুম্বা ফৎত্রবা মীওই অমবু মায়থীবা পীবগী মতম লাক্লে।

পনবা য়াবদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী য়ুরিদা লৈবা আর্মিগী ব্রিগেদ হেদ ক্বার্টরসতা পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী এম এল এ সঙ্গিট সোমনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পাকিস্তানগী আর্টিষ্ট পুম্নমক খোঙউপনা কল্লগা মরৈবাক্তা তানখিগদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সী এন এনদা পীখিবা ইন্টর্ভিয়ু অমদা মহাক্না হায়খি, শা-ঙাশিংদগী হেন্না ফৎত্রবা পাকিস্তানি আর্টিষ্টশিংবু লৈবাক অসিদা মখা তানা লৈহনবা মথৌ তাদে। পাকিস্তানগী আর্টিষ্টশিংনা লৈবাক অসিদা শেল তাল্লগা মরৈবাক্তা হনখ্রবা মতুংদা তাল্লুরিবা শেনফম অদু টেররিষ্টশিংদা মতেং পাংবগী থৌওং চথুরি। ইন্দিয়াদা লৈদুনা শেল তাল্লিবা মীওইশিং অসিনা ইন্দিয়নশিং হাৎপদা মতেং পাংলি।

মহারাষ্ট্র নবনিরমান সেনা (এম এন এস)নসু পাকিস্তানি এক্টর পুম্নমক লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

এম এন এসকী ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ইন্দিয়াদা থবক তৌদুনা শেল তাল্লিবা পাকিস্তানগী এক্টর অমদি আর্টিষ্ট খুদিংমক পুং ৪৮গী মনুংদা লৈবাক অসি থাদোক্তুনা চৎখিগদবনি।

এম এন এসকী লুচিংবা রাজ থাকরেদগী লোয়নবী সালিনি থাকরেনা পাউগী মীফম অমদা হায়খি, হৌজিক-হৌজিক ফিল্ম কুমদুনা লৈরিবা পাকিস্তানগী এক্টর অনী মরৈবাক্তা হনখিনবা চেরোল থাদুনা খঙহনখ্রে।

এম এন এসকী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবা সালিনিনা হায়খি, লৈবাক অসিদা হৌজিক-হৌজিক শেল তাদুনা লৈরিবা পাকিস্তানগী এক্টরশিংদা অইবা চেরোল অমমম্ থাদুনা পুং ৪৮গী মনুংদা মরৈবাক্তা হনখিনবা খঙহনখ্রে। করিগুম্বা পাকিস্তানি আর্টিষ্টশিং হনখিদবা তারবদি করি করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়না পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা থাকরেনা হায়খি, এম এন এসকী থৌমীশিংনা পাকিস্তানগী এক্টর অমদি আর্টিষ্ট খুদিংমক মরৈবাক্তা নমদুনা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎকনি।

# প্রাইম মিনিষ্টরনা মরম ওইরগা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক মায় পাকখিবনি : মনোহর পরিকার

মুম্বাই, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী):
দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকারনা হায়খ্রে মদুদি, ইন্দিয়ন আর্মিনা হৈ-শিংবা মওংদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথদুনা টেররিষ্টশিংগী কেম্প কয়া থুগায়খিবগা লোয়ননা টেররিষ্ট খরা হাৎখিবা তারবসু থৌরাং অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মায় পাকহনখিবনি।



থৌরম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, আর্মিনা চথুখিবা ওপরেসন অমগী মতাংদা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা মনা লৌরে হায়না ওপোজিসন পার্টি কয়ানা ফোঙদোরকপা লৈখ্রবসু ওপরেসন অদু মায় পাকহনখিবগীদমক মীপুম খুদিংমক্না প্রাইম মিনিষ্টরগী মফমদা থাগৎপা ফোঙদোকফম থোকই।

তোঙান-তোঙানবা ওপোজিসন পার্টি খরনা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথখিবগী মতাংদা ময়েক শেংবা খুদম পুথোক্কদবনি হায়না গভর্ণমেন্টকী মফমদা তকশিল্লকপা লৈখি। কোংগ্রেসনদি মমাঙদা পার্টি অসিনা গভর্ণমেন্ট পায়রিঙৈদা কয়ারক হন্না পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীরদা চপ মান্নবা মখলগী ওপরেসন চথবা লৈখি হায়না ক্লেম তৌখি।

কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এগী মতমদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথখি হায়বা ৱাফম অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মনোহর পরিকারনা হায়খি, চহী ২ দিফেন্স মিনিষ্টরগী ফম পায়রকপা মতমদা ইন্দিয়ন আর্মিনা মমাঙদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথখিবগী রেকোর্দ অমত্তা থেংনখিদে। ঙমখৈ ঙাক্লিবা লান্মীশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা চথখিবা ওপরেসনবু সর্জিকেল ষ্ট্রাইকনি হায়বা য়ারোই। হন্দক্কী থৌরাং অদুগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা মনা লৌনবা হোৎনখিদে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা সর্জিকেল ষ্ট্রাইককী মতাংদা মনা লৌগে হায়না খল্লবদি ৱাফম অদু দি জি এম ওনা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোকপগী মহুৎতা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লাউথোক্লমগদবনি।

# ইন্দিয়া-পাকিস্তানগী মরী ফগৎহন্নবা হোৎনবদা চাইনানা মতেং পাংগে হায়রক্লে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১২ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী মরক্তা টেন্সন ৱাংখৎলকখিবগা ইরোয়ননা চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী ওফিসল অমনা হায়খ্রে মদুদি, য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবদা বৈজিংনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংনবা থৌরাং তৌদুনা লৈরে।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অমনা এজেন্সীদা হায়খি মদুদি, ইন্দিয়া অমদি পাকিস্তানগী মরক্তা লৈরিবা টেন্সন হন্থহন্নবা চাইনানা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি। য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনী উংখৎনরকপনা মরম ওইরগা খানোংপোক এসিয়াগী অতৈ অতোপ্পা লৈবাকশিংদসু অকায়বা থোকহল্লে।

চাইনা-পাকিস্তান ইকনমিক কোরিদোর (সী পি ঈ সী)গী মতাংদা ওফিসল অদুনা হায়খি, পাকিস্তানগী মতেং লৌরগা প্রোজেক্ট অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনরি। মমাঙদা চাইনাগী ষ্টেটনা চল্লাইবা মিদিয়ানা এক্সপর্টশিংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খিবনি মদুদি, ইন্দিয়ানা করিগুম্বা পাকিস্তানগা লোন্নবা ঙমখৈ মপুং ফানা সিন্ড তৌশিনখিবা তারবদি চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী মরীদা অকায়বা লাকপা য়াই।

শংহাই একাদেমিগী ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্টরনেসনল রিলেসন্সতা রিছার্স ফেলো ওইনা লৈবা হু জি য়োংগী ৱারোল পল্লদুনা মিদিয়াগী রিপোর্টনা হায়খি, য়ুরিগী থৌদোক মতুং তারকপদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগা লোন্নবা ঙমখৈ মপুং ফানা সিন্ড তৌশিনগনি হায়রিবা ৱাফম অসিনা হীরম কয়াদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই। মরুওইনা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা নুংঙাইনদবা থোরকপা য়াই।

শংহাই ম্যুনিসিপাল সেন্টর ফোর ইন্টরনেসনল ষ্টদিজকী দিরেক্টর ৱাং দে হু ৱানা হায়খি মদুদি, ঙমখৈ সিন্ড তৌশিনবনা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী প্রোব্লেম অমত্তা সোল্ভ তৌবা ঙম্লোই।

অমরোমদা, ব্রিক্সকী মীফম মাঙওইন্নদা পাকিস্তাননা শৌগৎপা টেররিষ্টশিংনা ওক্টোবর ১২ দগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা গোৱাদা এটেক চথরকপা য়াই হায়না ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে। ওক্টোবর ১৫ দগী ১৬ ফাওবা গোৱাদা ব্রিক্সকী মীফম পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা ইন্টলিজেন্সকী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্ট পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, হন্দক্তা ইন্দিয়ন আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোল ৱাংমদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথদুনা টেররিষ্ট কয়া হাৎখিবগী লমন খুন্বা ওইনা গোৱাদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথনবা থৌরাং তৌরে। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি)গী কে ৯ টিমশিং মীফম পাঙথোক্কদবা মফমদা থমদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহনখ্রে হায়রি। ইস্লামাবাদতা পাঙথোকখিবা সার্ককী মীফম মায় পাকখিদবা মরম্না গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ব্রিক্সকী মীফমসু মায় পাকহন্দনবা হোৎনরকপনি হায়রি।

HL-P/9205/16/09-15/11 (Alt.)




HL-B/3356/03/10-02/11

**ꯇꯦꯡꯉꯥꯏꯐꯝ / লায়েংজরি**

**UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেন্নবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোকশাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**